


# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, FRIDAY, AUGUST 30, 2019 PAGE 7**




*ইন্টর ষ্টেট চেম্পিয়ন্সিপকী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা মকোক ওইদুনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী এঠলেট অঞ্জলি দেবী*

*জর্মনিগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট বুন্দেসলীগাগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিক্তা মখা তানা চহী ২ শান্নবগীদমক মতম শাংদোকখ্রবা রোবার্ট লিৱান্দোস্কী*

# মণিপুরগী হোক্কী শান্নরোই কাঙুজম চীংলেনসনাদা প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা আর্জুনা এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক অসিগী মশক নাইরবা শান্নরোইশিংদা পীবা এৱার্দশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আর্জুনা এৱার্দ মণিপুরগী নুপা হোক্কী শান্নরোই কাঙুজম চীংলেনসনাদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা খূৎশিন্নখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনেল স্পোর্টস দেগী মনুং চন্না এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী নুপা হোক্কী শান্নরোই চীংলেনসনা সিংহ কাঙুজমনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দদগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা ওইরিবা আর্জুনা এৱার্দ অসি লৌখিবনি। এৱার্দ অসিদা সাইটেসনগা লোয়নননা শেল ওইনা লুপা লাখ ৫ য়াওরি।



চীংলেনসনানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না ঙসি ফংলিবা মনা অসি মহাক্কী টিমমেটশিং অমদি ইমুং-মনুংগা সেয়র তৌবা পাম্মী। মখোয়গী মতেং য়াওনা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অসি ফংবা ঙম্লোই হায়খি।

নেসনেল স্পোর্টস দে এৱার্দ অসি লৈবাক অসিগী হোক্কী লিজেন্দ মেজর ধ্যন চান্দগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। লিজেন্দ ধ্যান চান্দ লৈবাক অসিদা নৎতনা মালেম পূম্নমক্তা মমিং লৈরবা শান্নরোই অমসুনি হায়না শীংথাখি।

চীংলেনসনানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক মহাক্কী মাঙদা তারিবা থৌদাং অসি ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইবনি। ঐহাক্না টিম অসি শোয়দনা ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইগনি হায়বসি থাজবা চাওনা লৈ হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

আর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রবা অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি টাজিন্দর সিংহ টুর (এঠলেটিক্স), মোহমদ অনাস (এঠলেটিক্স), স্বাপনা বর্মন (এঠলেটিক্স), রবিন্দ্র জাদেজা (ক্রিকেট), পুনম যাদব (ক্রিকেট), সোনিয়া লাথর (বোক্সিং), এস ভাস্করন (বোদিবিল্ডিং), অজয় থাকুর (কবাদ্দি), গৌরভ গিল (মোটোরস্পোর্টস), অঞ্জুম মোদগিল (সুট্টিং), হরমিত দেসাই (টেবল টেন্নিস), পুজা ধান্দা (রেষ্টলিং), ফৌৱাদ মিরজা (ইক্বেষ্ট্রিয়ান), গুরপ্রিট সান্ধু (ফুটবোল), সিমরন সেরগিল (পোলো), বি সাই প্রনিথ (বেদমিন্টন), সুন্দর সিংহ গুরজার (পেরা এঠলেটিক্স), প্রমোদ ভগৎ (পেরা বেদমিন্টন) নি।

লৈবাক অসিগী মশক নাইরবা শান্নরোইশিংদা পীবা এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা শান্নরোইশিংনা পীবা খ্বাইদগী চাওবা মনা ওইরিবা রজিভ গান্ধী রেখল রত্ন এৱার্দ অদু পেরালিম্পিক সিলভর মেডালিষ্ট দিপা মালিকতা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা মনা অসি খূৎশিন্নখি। দিপা মালিক্না ফংখিবা এৱার্দ অদুদা সাইটেসনগা লোয়নননা শেল ওইনা লুপা লাখ ৭.৫ য়াওখি।

দিপা মালিক্কা মনা অসিগী কো-এৱার্দি ওইখিবা রেষ্টলর বজরং পুনিয়া এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা শরুক য়াখিদে। মহাক হৌজিক-হৌজিক ট্রেনিং চথরিবা মরম্না ঙসি পাঙথোকখিবা এৱার্দ সেরেমোনি অসিদা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি হায়রি।

দ্রোনাচর্য্য এৱার্দ ফোর লাইফটাইম কেটেগোরিদা এৱার্দ ফংখ্রবশিং অদুদি সঞ্জয় ভরদৱাজ (ক্রিকেট), রাম্বীর সিংহ খোকার (কবাদ্দী), অমদি মেজবান পটেল (হোক্কী) নি।

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা লৈবাক শিনবা থুংনা 'ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট' হৌদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা মীওইশিংবু মশা-মউ ফনা থম্নবা অমদি শান্ন-খোৎনবগী লমদা হেন্না পূক্নিং লুপশিন্নবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা 'ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট' ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা হৌদোকখ্রে।




থৌরম অসি ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়মদা অয়ুক পুং ১০ তাবদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌদোকখিবনি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইন্দিজিনস মার্সিয়েল আর্ট ফোর্মস, জগোই-ঈশৈ অমদি তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্ট কয়া উৎখি। লোয়নননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা হোক্কী লিজেন্দ ধ্যান চান্দদা ইকাই খূম্নবা উৎখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তাখিবদা, ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মালেমদা ফাওরবা স্পোর্টসমেন মেজর ধ্যান চান্দ পোকখি। মহাক্কী অঙকপা ফংলবা মশা-মউ ফবা, হনবা লৈত্রবা থৌনা অমদি মহাক্কী হোক্কী ষ্টিক অদুগীদমক মালেমদা মমিং চৎলিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হকচাং ফবা হায়বদি ঐখোয়গী তৎন-থানবা য়াদ্রবা মচাক অমনি। অদুবু হৌজিক্তি ফিটনেষ্টকী ইশুশিংদা খেৎনবা কয়ামরুম লাক্লে। চহী ১০ মুক্কী মমাঙদদি অচম্বা মীওই অমনা নোংমদা কিলোমিটর ৮ দগী ১০ ফাওবা খোঙনা চৎলি, সাইকল থৌই নৎত্রগা চেল্লি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক্তি টেক্নোলোজিনা মরম ওইরগা মীওইশিংনা ফিজিকেল এক্টিভিটি অসি হল্হেরে। ঐখোয়না হৌজিক্তি চৎপগী শাজেল অসি হল্হুরে। মসি টেক্নোলোজি অসিনা ঐখোয়দা তাক্লি হায়খি।

'ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট' হৌদোকপগী থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুগা লোয়নননা নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ ২০১৯ গী ৱিন্নর ওইখ্রবশিংসু শরুক য়াখি।

রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা হৌদোক্লিবা মুভমেন্ট অসি অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগীদমক ঐখোয় মশেল অমগা অমগা মতেং পাঙনগদবনি হায়খি।

# অমরজিৎ ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়রদা য়াওররোই

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা মিডফিল্ডর মণিপুর মচা অমরজিৎ সিংহ কিয়াম মখূৎ শোকপনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা শান্নগদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়র য়াওররোই।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা য়ু-১৭ ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইখিবা কিয়াম অমরজিৎ সিংহ হৌজিক চথরিবা ট্রেনিংদা মখূৎ শোকখিবনি।

অমরজিৎ ইন্দিয়াগী কোচ ইগোর ষ্টিমেকনা মেম্বর ২৮ গী প্রিলিমিনারি স্কৱাদ লাওথোকপদা য়াওখিবনি। ট্রেনিং অদু শান্নরোই ৩২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবনি। অদুবু ট্রেনিং চথরিঙৈ মনুংদা শান্নরোই ৭ রিলিজ তৌখ্রবনি।

কেম্প থাদোকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুগী মনুংদা মণিপুরগী অতোপ্পা শান্নরোই সলাম রঞ্জন সিংহ য়াওরি। মহাক্কা লোয়নননা অনৱার আলি, জেরি লালরিনজুয়ালা, মিডফিল্ডর প্রোনে হাল্ডর, লালিচরন নরজারি অমদি ফোরৱার্দ ফারুখ চৌধারি অমসুং জেৱবী জষ্টিন য়াওখ্রবনি।

ক্বালিফায়র অসিদা ইন্দিয়ানা ওমানগা সেপ্টেম্বর ৫ দা গুৱাহাটিদা হোম মেটচ ওইনা শান্নগনি। অদুগা থা অসিগী ১০ দা ওমাননা য়ুম্বু ওইরগা অমুক শান্নগদৌরি। ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৭ কী স্কৱাদ অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই উদান্ত সিংহ খক্তমক ঙাইরে।

# দ্রাভিদ ইন্দিয়া এ অমদি য়ু-১৯ গী হেদ কোচ ওইবদগী শিন্দোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী মমাঙদা কেপ্টেন ওইরম্লবা রাহুল দ্রাভিদ ইন্দিয়া এ অমদি য়ু-১৯ ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইবদগী শিন্দোকখ্রে।

রাহুল দ্রাভিদনা ইন্দিয়া এ অমদি য়ু-১৯গী হেদ কোচ ওইনা ওইনা নেসনেল ক্রিকেট একাদেমী (এন সি এ) গী হেদ ওফ ক্রিকেট ওপরেসনগী থৌদাংসু পুখিবনি।

রাহুল দ্রাভিদনা পায়রবা থৌদাং অদু মমাঙদা সৌরাষ্ট্র ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বা সিটান্সু কোটাকনা ইন্দিয়া এগী কোচ অদুগা য়ু-১৯ ক্রিকেট টিমগী কোচনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমদা সিমর ওইরম্বা পারাস মহাম্ব্রেনা ওইরগনি হায়রি।

মহাক্না নৌনা নেসনেল ক্রিকেট এদাদেমীগী মকোক ওইনা থৌ পুখিবা অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া এ অমদি য়ু-১৯ গী হেদ কোচ ওইবগী থবক অদুদগী লৌথোকখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

রাহুল দ্রাভিদনা নেসনেল ক্রিকেট একাদেমীগী হেদ ওইদুনা থৌ পুরকপদা ইন্দিয়া এ অমদি য়ু-১৯গী ক্রিকেট শান্নরোইশিংগী রোদমেপ অমা শেমদুনা হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনখি। মহাক্না এন সি এদা লৈখিগদবা মরম্না ইন্দিয়া এ টিম অমদি ইন্দিয়া য়ু-১৯ ক্রিকেট টিমশিংবু লুচিংদুনা চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা লৈগদবা অদুদগী মহাক্কী পোজিসন অদু লৌথোকখিবনি।

নেসনেল ক্রিকেট একাদেমীগী ষ্টাফশিংগী ওইনদি ফোরমেন ওইনা লাওথোকপা লৈত্রি হায়না বি সি সি আইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# সাফ য়ু-১৫ ফুটবোলগী ফাইনেলদা ইন্দিয়া অমসুং নেপাল শান্নরগনি

*কোলকটা, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুং কোলকটাদা চথরিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) মেন্স চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা ইন্দিয়া অমসুং নেপাল শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা অমদি অরোইবা রাউন্দদা ইন্দিয়ানা মমাঙগী চেম্পিয়ন বাংলাদেশপু গোল্ড ৪-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইদুনা ফাইনেল চঙলকপনি।

মেটচ অসি শান্নবা হেক হৌরকপদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা বাংলাদেশকী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই হিমান্সু জাঙ্গ্রানা হেটট্রিক গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মেটচকী ২৯, ৭৪ অমদি ৭৯শুবা মিনটতা গোল অহুম অদু চনখি। টিম অসিগী অতোপ্পা গোল অমনা মেটচকী ৮৯শুবা মিনটতা সুভো পোলনা চনবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা অমদি অরোইবা মেটচতা নেপালনা ভুটানবু গোল্ড ৫-০ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী অনীশুবা তাদুনা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা শান্নরগনি।

নেপালগী মায়কৈদগী লামসালনা মেটচকী ৫ অমদি ৪৮শুবা মিনটতা গোল অনী চনখি। টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই খাত্রিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩-১ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৫শুবদা রাইনা গোল অমা চল্লগা ৮৫শুবা মিনটতা টিমমেট সাপকোটানা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৫-০ দা মায় পাকখি।

# মুরুগপ্পা কপ্তা নেভী অমদি বেঙ্গালুরু মায় পাকখ্রে

*চেন্নাই, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা চথরিবা ৯৩শুবা ওল ইন্দিয়া এম সি সি-মুরুগপ্পা গোল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়ান নেভী অমদি বেঙ্গালুরু মায় পাকখ্রে।

ইন্দিয়ান নেভীনা ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা য়ুম্বু ওইখিবা তামিল নাদুবু গোল ৩-২ দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা বেঙ্গালুরুনা পি এন বিবু গোল ৪-২ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়ান নেভীগী সন্নি মালিকনা পেনাল্টি কোর্নরদা গোল চনদুনা মাঙজিল থাখি। ৩৮শুবা মিনটতা তামিল নাদুগী জোসভানা ইক্বেলাইজর ওইহনখি। মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীনা গোল অমমম চন্নদুনা ২-২ দা মান্নখি।

মেটচকী ৪৩শুবা মিনটতা নেভীগী শান্নরোই পালাগাপ্পানা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩-২ দা ইন্দিয়ান নেভীনা মায় পাকখি।


বেঙ্গালুরু হোক্কী এসোসিয়েসন অমদি পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্কনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোই পৃথিবী রাজনা গোল অনী চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী চনখিবা গোল অনী অদুদি হারিস মুটাগর (মিনট ৪৬) অমদি অভারান সুদেভ (মিনট ৫৯) নি।

পি এন বিগী শান্নরোইশিংনা চনখিবা গোল অনী অদুনা মেটচকী সুখজিৎ সিংহ (মিনট ৭) অমদি লভপ্রিত সিংহ (মিনট ৪০) নি।

# ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর ইলাভেনিলনা সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা অহানবা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*রিও, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ব্রাজিলগী কোনুং রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোক্লিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর ইলাভেনি ভালারিয়াননা মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা কেরিয়রগী অহানবা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।




ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা মশাগী চহী ২০ শুরবী ইন্দিয়াগী ইলাভেনিল ভালারিয়াননা পোইন্ট ২৫১.৭ ফংদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ৱার্ল্ড কপ গোল্ড অদু লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই, তামিল নাদুগী সুট্টর ইলাভেনিল ভালারিয়ান কুমজা ২০১৮ দা সিদনি অমদি সুলদা পাঙথোকখিবা আই এস এস এফ জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টরনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর ইলাভেনিল ভালারিয়ান জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তা মমাঙদা পাঙথোকখিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপকী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ৪শুবা তাদুনা মেডল ফংবা ঙমদনা লাকখিবনি। মহাক্না রিওগী ৱার্ল্ড কপ অসিদা ফংখিবা গোল্ড মেডল অসিনা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা সুট্টর ওইবা ঙমখি। মমাঙদা অপুর্ভি চান্দেলা অমদি অঞ্জলি ভগৱটনা ফংবা ঙমখ্রবনি।

রিওগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অসিদা গ্রেট বৃটেনগী সুট্টর সিওনেদ এমসিন্টোসনা পোইন্ট ২৫০.৬ দা সিলভর মেডল লৌখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর ৱার্ল্ড নম্বর তু অঞ্জুম মোদগিল পোইন্ট ১৬৬.৮ ফংলগা ৬শুবা পোজিসন তাহৌখি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা ১১শুবা পোজিসন তাহৌদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখিদে।

ইভেন্ট অসিগী ৱার্ল্ড নম্বর তুদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর অঞ্জুম মোদগিল কুমজা ২০২০ দা জপানগী কোনুং টোকিওনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।

আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসনদা ইন্দিয়াগী সুট্টর সঞ্জিভ রাজপুট পোইন্ট ৪৬২ ফংলগা সিলভর মেডল লৌখি। ক্রোএসিয়াগী পিটার গোরসানা পোইন্ট ৪৬২.২ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌখি। অদুগা চাইনাগী সুট্টর ঝাং চাংহোংনা পোইন্ট ৪৪৯.২ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

নুপাগী পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরভ চৌধারি ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৫৮৪ ফংদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রে। টিমমেট অভিসেক ভর্মসু পোইন্ট ৫৮২ স্কোর তৌরগা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌখ্রে।

# চেক রিপব্লিক্কী প্লিজকোভা অমদি স্বিটজরলেন্দগী ফেদরর য়ু এস ওপন টেন্নিসতা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

*ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এসকী সিটি ন্যু য়োর্কতা চথরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা অমদি স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর মখোয়-মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।




য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবী চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা জিওর্জিয়াগী মারিয়াম বোল্কভাদজেবু য়াম্না লায়না ৬-১, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ২শুবা সিদেদ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিসু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী লোরেন দেভিসপু ৬-২, ৭-৬(৭-২) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ু এসকী শান্নরোই ভেনস ৱিলিয়মসপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী য়ু এসকী শান্নরোই সেরেনা ৱিলিয়মসনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী অতোপ্পা শান্নরোই কেটি মেকনেল্লিবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৫-৭, ৬-৩, ৬-১ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ১০শুবা সিদেদ ওইরিবী টুনামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ু এসকী শান্নরোই মেদিসন কিজনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী ঝু লিনবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-৪, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা নম্বর থ্রি সিদেদ ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী শান্নরোই দামির ঝুমহুরবু ৩-৬, ৬-২, ৬-৩, ৬-৪ দা থোইদুনা মহাকসু টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ অসিদা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই জুৱান ইগনাসিও লোন্দেরোবু ৬-৪, ৭-৬(৭-৩), ৬-১ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৭ সিদেদ ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা য়ু এসকী শান্নরোই ব্রেদলি ক্লাহনবু ৬-২, ৪-৬, ৬-৩, ৭-৫ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুক্রেনগী দোমিনিক কোপফরনা য়ু এসকী রৈল্লি ওপেল্কাবু ৬-৪, ৬-৪, ৭-৬(৭-২) দা থোইরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

**ক্রোসৱার্দ ২৬৪ গী পাউখুম**

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | M | A | S | H | | S | I | R | S | | A | R | T | S |
| H | A | U | T | E | | I | R | A | N | | W | E | R | E |
| I | N | N | E | R | | P | I | T | A | | E | V | E | N |
| P | E | T | E | | | | S | T | R | E | S | S | E | D |
| | | | L | O | C | H | | L | E | N | O | | | |
| H | O | M | E | P | L | A | T | E | | E | M | B | E | D |
| A | P | E | R | T | U | R | E | | | | E | L | L | A |
| R | E | D | | S | E | D | A | T | E | D | | E | U | R |
| E | R | A | S | | | | S | E | R | E | N | A | D | E |
| S | A | L | T | S | | D | E | D | I | C | A | T | E | D |
| | | | E | A | V | E | | S | C | O | T | | | |
| L | A | T | E | N | E | S | S | | | | U | S | E | D |
| A | S | A | P | | N | I | L | E | | D | R | I | V | E |
| N | E | I | L | | O | R | E | S | | E | A | T | E | N |
| D | A | L | E | | M | E | W | S | | B | L | E | S | S |


GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORATE

-------

NOTIFICATION

Imphal, the 22nd August, 2019

No. G/GNM SCHOOL (TBL)/DHS-2018: In continuation of this directorate notification of even number dated 02/01/2019 & 29/05/2019, list of the eligible candidates who have applied for the (1) Tutor, (2) Librarian, (3) Lower Division Clerk, (4) Stenographer Grade-III, (5) Driver (Light), (6) Grade-IV/MTS & (7) Warden (Female) is hereby notified and annexed as Annexure-I. Details can be seen at the notice board of this directorate.

All the candidates who are in the eligible list are instructed to collect their admit cards from Room No. 228 & 229 of this directorate w.e.f. 04/09/2019 to 07/09/2019 during office hours.

Sd/-

( Dr. K. Rajo Singh )
Director of Health Services, Manipur

SL/5256/30 &31